## ৱারী মচা

# লমদম অসিনা চপ লেপ্তুনা লৈখিবা

**ধনশ্যাম ৱাহেংবা**

"ঙসিসু শম ককফম থোঙ লোন্দুনা লৈরম্মী।"

ইচানুপা মঙলেমনা কৈথেলদগী হল্লক্তুনা তম্মী।

ঐনা হংলুই,

"নুমিৎ কয়ানিগীনি হায়গেনে মখোয়গী থবক লেপ্পা খোঙজং অসিবো?'

"য়ানবা অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবদি তৌখিদৌরি। মখোয়শিং অসি লৈহন্দ্রগা ফগদবনি।"

"মদু য়ারোই মখোয়সু লৈবাক অসিগী মীনি।"

খোঞ্জেল অদু খরা কনখৎলদুনা মানা হায়রকই,

"মখোয়না শম অককমন হেগৎনিংলগা হেনগৎ, তানিংলগা তা তৌদুনা শান্নরি। মখোয়না হেন্না চাউরক্লে।"

"থবক শুবা মীনা খুৎশুমন য়াম্না লৌনিংবা, পোৎ য়োনবা মীনা মমন হেন্না লৌনিংবা মশানা তাবনি। পোৎ-চৈগী মমন্না সোরারেন য়ৌরক্লবা মতমসিদবো খুৎশুমনসু মশানা হেনগৎলকপা তাবনি।"

"অদুবু মখোয়গী অপাম্বা ফংদ্রে হায়দুনা থবক খঙলেপ লেপখিবসিদি হেনমল্লি। লৈবাকমচাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসিগীসু খন্থগদবনি।"

"থবক শুহল্লগা পীক্লা পীগে হায়বা য়াবা হৌনদেদা ইবুংঙো। পোৎ-চৈগী মমন হেনগৎলকপগী খুশুমনসু হেনগৎলকপনিনে।"

"অদুবু মখোয়না হেনগৎলকপা অসিদি মরম চাদে।"

" মতমনা পুরকপনি। লৈবাক খ্বাইনা হেনগৎলকপনি। মমাংঙৈদা ফৌ শংবাইদা লুপা অনীদা পীরম্মী হায়দুনা কদাইদগী লৈবা ফংগদগে? কনানা মমন হেনগৎলকপনা চুম্বা, অদুগা কনানা মমন হেনগৎলকপনা লানবা হায়বা অমা লৈতে। লমদমসিগী লৈবাকমচাশিংদি কৈদৌদুনা লৈবগে? তাঞ্জা অসিদা চোংথোরকউদনা। থবক শুনিংদবা কতনজাউশিং।"

মঙলেমনা খুদক্তা য়ানিংদবা উৎলদুনা হায়রকই,

"অসিগুম্বা থবকসি তৌরগা মীনা করি হায়নখিনি? ইশাগী ইকায়খুম্নবসু য়েংদবা য়াদবনি।"

ফৎ লৈথোক্তুনা মা ইনাক্তগী চৎখ্রে।

কৈথেলদগী মী নেকপা চৎলুবা মনাওনুপা লৈচিল হঞ্জিল্লকই। অদুবু কনাসু লোয়নরকক্তে।

লৈচিলনা হায়রকই,

"মীগা অমত্তা ফংদে।"

" ঐনা চৎলমদাইদা হায়খিবদুনি। শুৎশুমন হেনগৎপগী ঈহৌদা পূম্নমক য়াওরম্ননি।"

মিকুপ অহুমদং লেপ্পুরগা ঐনা মখা তারুই,

"থবক্কী কৈথেলদা থবক শুবা মী অমত্তা ফংদ্রা!"

" মীনা কৃক কৃক ইন্নখ্রবা থবক্কী কৈথেল অদু ঙসিদি থবক শুবা মীদি লাইরদনা তুমিৎ ফাওবা পায়রমদ্রে।"

" লমদম অসিগী লৈবাকমচাশিংগী মরক্তা লমদমসিগী ফত্ত-হৌদি শেংদোকপা ঙম্বা থৌনা ফবা, তন্দবা মীশক অমা ফাওবা ফংলরোইদ্রা?"

ঐগী ৱাসি তারগা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলদুনা ইচা লৈচিলনা হায়রকই,

"অমোৎপা শেংদোকপগা থৌনা ফবা, তন্দবগা মরী করিসু লৈনদে।"

"মরী য়াম্না লৈনৈ। থবক চিলহাউ থিদবা, নোম্বা কনবা মীদি অতনবা লৈতে। মঙোন্দা থবক তৌবগী অকিবসু লৈতে। মসি থৌনা ফবনিনে, থৌনা ফবা।"

লৈচিলনা নোক্লিংদবা নোক্লদুনা হায়রকই,

"ফত্ত-হৌদিনা ফুনজিল্লবা খোঙবান অসি শেংদোকপবু থৌনা ফবা!?"

"অচৌবা লৈরম্বগী মচাসু লৈরম্বনি। অৱাংবা লৈরম্বগী অনেম্বসু লৈরম্বনি। অদুবু পূম্নমক অসি খেন্নবা লৈতে। চপ মান্নে। থবক খুদিংমক পুন্সিদা চঙদ্রবা য়াদবা ঙাক্তনি। পুং কুনমরিগী মনুংদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা, মথৌ তারিবা পোৎ খুদিংমক নঙ ঐনা লোয়না পুথোকপা ঙম্বা নত্তে। মানা মানা ঙম্বা থবক তৌনদুনা পোৎশিং অসি পুথোক্লিবনি।"

ঐগী ৱা লোয়না তারমদনা লৈচিলসু চৎখে।

" মসিনি লমদম অসিগী লৈবাকমচাশিংগী মশাদা চেল্লিবা নুংশিৎ! নীংথিনা ৱা অমত্তা তান্নবা য়াদবা!" – ঐগী থম্মোয়

"ঙসিদি পোৎ খরদং য়োন্নবা হোৎনবদা কয়াদি ৱারে। ইখ্বোল কোয়বগী মহুৎ ফাওবা হনজিল্লোইদৌরি।"

লৈচিল মমানা কৈথেল কারুবদগী হঞ্জিল্লক্তুনা হায়রবনি।

ঐনা হংলুই,

"নঙনা করি অমুক তৌরকঅবা?"

"পোৎ হোনবীনবা মী ময়াম অমা লৈবদো ঙসিদি অমত্তা হেক উদে। শু-নোমজরগা ফংলকপা হুমাংমন্না হিংজরিবা পোৎ হোনবশিংদো থিংবীরবনিনা কনাসু থোরক্ত্রে।"

"মখোয়দি কনানা থিংবীরিবা?"

"ওঃ মীতোপ চঙলকপা থিংবা কাঙবুনা। নচা য়াইমা ফাইরেলসু য়াওরিবনি। বস পার্কিংদগী পোৎ য়োনফম ফাওবদং চৎপদা লমদমসিগী রিক্সা থৌবশিংনা লুপা য়াংখৈ লৌথোকখ্রে। লুপা কুনদং পীরগা থাংহনবা য়াবা মখোয়বুনা থিংবিরে। রিক্সা চঙবা য়াদবা পোৎফম ফাওবদং য়ৌশিনবিরম্নবা হায়রুবদা লুপা কুন হাপ্পু হেক্তা হায়।"

"উম, লৈবাক অসি নুংঙাইদৌরি!"

লৈচিল মমানা খোন কনখৎলদুনা হায়রকই,

"শুবা-নোম্বা তন্দবা মখোয়বু থবক তৌবা থিংবিরগা করি কান্নেয়েগে? নোংমগী লুপা য়াংখৈ-চাম্মদং ৱানা তানজবা পোৎয়োনবী মমা-মন্দোনশিংবু ৱাহল্লগা করি তোংজৈয়েগে?"

"অচৌবা পারা অমদি তম্বীরেদনা?"

"মদুবু নচাশিং অসিনা খঙিঙদরা?"

কৈথেল কারুবগী খাউ ময়োম অদু পায়রদুনা লৈচিল মমানা ঙাংনা-ঙাংনা ইমুংদা চঙখি।

নুমিদাং চাক চানরবা মতুং মাঙ্গোল ডারীদা ফমদুনা ময়াম হকচিক লাংলি।

ঐনা ইচা ফাইরেলদা হায়রুই,

"ফাইরেল নখোয়না তৌরিবসিবু করিনোনেহে?"

ফাইরেলনা খুম্লকই,

" লমদম অসি অতোপ্পা ষ্টেটতগী লেপতনা চঙলকপা মীনা ৱাই চাইরে। হৌজিক মখোয়গী অপাম্বদা তৌবা হৌরক্লে। খরা লৈরগদি ঐখোয় হিংবদা ৱারক্কদৌরিবনি। অদুনা মাগী মাগী লৈফমদা হলহনখিনবা তৌরিবনি।"

"মখোয় অসিবু কনানা কৌশিল্লকপনো? লমদমসিদা লৈবা নখোয় ঐখোয়না কৌশিল্লকপা নত্তরনে?"

ফাইরেলনা মমিৎ লাওথোক্লদুনা হায়রকই,

"ঐখোয়না করিগী কৌশিনগনি? ঐখোয়দি মখোয়বু হলহনখিনবা হোৎনরিবনি। মখোয় অমা অনী লৈরম্বদগী মথং মথং কৌশিল্লক্তুনা ঙসিগী মীয়াম অসি ওইখিবনি।"

মাগী ৱাদু শৌগৎলদুনা মঙলেমনা হায়রকই,

"মখোয় অসিবু লমদমসিগী লৈবাকমচা কনানা করিগী কৌশিল্লক্তৌরিনো? পাবুংগী ৱাদু ওন্নরে।"

লৈচিলসু ময়াম্বশিংবু শৌগৎলদুনা হায়রকই,

"মখোয়দি মখোয় মশেন খরা খরা পুশিন্নরক্তুনা চঙলকপনি।"

ঐনা ইচাশিংদা হায়,

"মখোয় অসি নখোয় ঐখোয়না কৌশিল্লকপা, পুশিল্লকপা নত্তনা কনানা ওইগনি? য়েংউ, শম ককপা মী লৈরমদবদগী মঙলেম নঙনা হল্লকখিবা, অদুগা লৈচিল নঙনা খোঙবান শেংদোক্লবা মী নেকপা চৎলুবদা ফংলক্ত্রিবা অদু করিদগীনো? নখোয় খল্লু। য়াম্না মুন্না খল্লু।"

ইচাশিংনা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংদুনা করি হায়রক্কদগে হায়দুনা ঙাইহরি।

ঐনা মখা তারদুনা হায়,

" মখোয়না তৌবা থবকশিং অসি লমদমসিগী লৈবাকমচা কনানা থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা তৌবা ঙম্বগে? লমদম অসিদা থবক কয়া শুবীনবা লৈতনা তাদুনা লৈরি। থবকশিং অসি শুবীনবা মী নখোয়না থিরি, কৌরি শুহল্লি। থবকশিং অসি শুরম্বদগী লেপখিবদা নত্তরা ঙসি লমদম অসিনা চপ লেপ্তুনা লৈখিবা? থবকশিং অসি নখোয়না চোংথোক্তুনা শুরু, নোম্লু। থবক্লা লৈত্রবদা কনানা থবক থিবা লাক্কনি? মখোয় অসিবু নখোয়না কৌশিল্লকপা নৎত্রা? নখোয়দি থবক শুনিংদে, নোম্নিংদে। থবকপু ইকাই খুম্নদে। নোম্বা কনবা মীবু ইকাই খুম্ননিংদে। নখোয়দি মঙ মঙদুনা হৈবোং মখাদা হিপ্তুনা হৈবোং তারকপা ঙাইহরি।"

ঐনা লেপ্পা লৈতনা হায়রকপা অদুদদি ইচাশিংনা তানিংদ্রদুনা মথং মথং হৌগত্তুনা চঙনখ্রে।

---

## শৈরেং

### অঙম্বগী নিঙমদবা

***বিসি খুমন***

অহানবা মীখল থেংনবদা ঐ
থোইনা ৱাখিদে ঐগীমক্তা ওইখি
অঙম্বা ওইখি প্রজাবু শেন্নজখি
চহী মঙাদি হাইন-হুমখি খঙহৌখিদে।

মথংগী মীখল লাকপদা ঙকচানখি
ঐগুম্বা কয়াসু মীখলদা থোরকখি
অঙম্বা উপায় শীজিন্নখি মায়পাকখি
অঙম্বদি ওইহৌদে ওইনিংবা য়াম্বনিনা।

হন্দক্কী মীখলদদি মমি শামজিল্লক্লি
শোৎখবনা হেঞ্জিল্লবা ঐগী কেন্দ্রদা
ঐবু তক্সি শোনবা মশিং য়ামখৎলক্লি ।।
খ্বাইদগী লুবনা ময়োলদসু
তক্সি শোনবা কাঙবুগী লৈঙাক লৈথোকখ্রে।

লৈবাক্কী সেবা তৌগদবা তৌহৌদে,
কেন্দ্রগী অৱাৎপা য়েংগদবা য়েংহৌদে,
শাংলবা চহী তরাদু খঙহৌদে,
ঐগী রাজনিতি লোইরম্রে খন্থহৌদ্রে।

---

## "শেলগী গম"

***শ্রী লাইশ্রম দেবেন সিংহ***

সুপর গ্লু-না নপ্পদৈ হেন্ন,
দ্রেন দ্রাইট-না নপ্পদৈ হেন্ন,
অতৈ গম্না নপ্পদৈ হেন্না কনবদি
"শেলগী গম" না নপ্পনা অতৈদগী নপশিনবা হেল্লি
অতৈ পোৎলম্না শাবদি, মতম খরতগীনি
ছুম তাউনা চাখ্রগদি নপলিবা পোৎশিং তোঙান-তোঙাল্লি
চেৎশিনবা ঙমদে, মপাঙ্গল শোম্বে, তশেংবনি।
"শেলগী গম্না" অমুক্তং নপখ্রবা মা অদো,,
নানথোকপৈ ৱা লৈত্রে, ওম্বোক্লা চেৎখ্রবা।
মী-হাৎপদো, মী-হাৎতবা ওইহল্লি,
ধর্ম্ম-চেন্দ্রবা মা-সু ধর্ম্ম লৈবা ওইহল্লি,
অরানবসু অচুম্বা ওলহল্লি,
মাবু থেংনখ্রবদা অচুম্বা ওলহল্লি, অফবা ওল্লি,
কয়াদা কনখ্রবা মাগী গুণ
থা-দুনা লোইবা নাইবা নত্তে
ইবগী গুণ শোম্থবা লৈতে।
পৃথ্বী লোইশিনবসু মা-নি
শেমগৎ-শাগৎপা মাগী থৌনানি
মা-নবু নপখ্রবদা অমুক্তং শেৎতোক-ফকতোকপা ৱাই
কয়াদা গুণ চেনখ্রবা শেলগী গুন-গম ।।
হিরম খুদিংদা "শেলগী গম্ন" থেংখ্রবদা
ফকপা শেৎপা ঙমদে কনাসু
অঙকপনি, শক্তিনি "শেলগী গম" ।।

---

## ওম্বোকপা মংলান পাওদমনি

***টি আইচ বীনোদ***

নুংঙাইরে মৈত্রাবাক লমদম মণিপুরসে
অঙাং অঙাংবনা চাওজবা লমদমনে
ঙাংববু কল্লবা মীতোপসু চাওরে
থৱায়বু থারবা বিলসু থিংঙম্মে
লানবা চুম্বা কনানসু থিগত্তবনি
লাকও লাকও হোমলেগু শেমহৌরসি ।।

মফমসিদা পোক্রুবসু য়েলহৌমী ওইনা
বেজ ইয়ার শেমদোক্লবা তকশিল্লসি লেপ্তনা
শেমগৎলসি ঐখোয়গী খুল কয়া
থোল্লসি পোক্লফম লমদমগী মমিংশিং
ওইহল্লসি অনৌবা ঐখোয়গী লমদম
লিংজেল মান্নবা ঙমদ্রবা মখোয়নি ।।

করম্বা মংলান পাওদম ওইদুনা
কঙাওনরি হৌজিকসু মংলানলা তাইবংলা
ইথন্নতা হংজরি ঐবু কদোমদগীনো
ৱাহংদুগী পাওখুম মংলান্দুদা ঙাইরম্মী
লৈরম্মী য়েৎলম্মী ইশাপুম্বা কাম্বলনা লাওরুরমাল্লে
অহৌবা খোঞ্জেলনা তাইবংগুম ।।
মঙ হায়বসি জাৎ জাৎনিহে।

---

## তাবুনুংদগী

*(হন্দক্তা নোঙ্গাখ্রবা কবি রত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং "ঐ ওইরম্মী" হায়বসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা ফোঙদোকচরি)*

### ঐ ওইরমই

লক্ষ্মীগী নাকলদা উখা অমদা
য়েংদুনা লৈ অহল অমা
চা লৈদুনা থকখি নুপা অমা
চা হাউতে হায়রমই চৈরকই মহাক
তায়

চা হাউই হায়রমই নুপা অমা
অদুম তায়
ইঙক ঙকই অহল অদু
য়াওরুবা ঙমদে
য়েংদুনা লৈ তাদুনা লৈ
ঐনা ভাব তারকপদা
তাবদনি ঐহাক ৱাদি ঙাঙখিদে।

---

## মণিপুরী পাম্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**১২৪। অঙাং শেম্ববু থাথারো।**
–য়াম্না অৱাবা, অরুবা ওইবা থবক।

**১২৫। অঙাংদি মাংবা লৈতে।**
– ময়াম্না হায়নবা ঙাঙনবা ৱা।

**১২৬। অঙাংদি ষণগী মমৈগুম্বনি।**
– ঙাইহাক্তা তুমিন্না লৈতবা।

**১২৭। অঙাং ওলহনবা**
– মথৱায় লৌথোকপা।
– শিবগী চৈরাক ফংহনবা।

**১২৮। অঙাংনা মৈ শান্নবা**
– লৌশিং য়াওদবনা অরুবা খুদোংথিবা য়াবা থবক তৌবা।

**১২৯। অঙাং মীঙম্বা মীনুংশি ৱাৎলি।**
– শক তাখৎপা, তৌবা ঙম্বা অঙাং মীনা নুংশিদে।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

---

## লাইরিক্কা উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ উমংগী হক(বেঙ্গালি উপন্যাস)**
**অইবা ঃ মহাশ্বেতা দেবী**
**হন্দোকপাঃ এল রঘুমনি শর্ম্মা**
**ফোঙবাঃ সাহিত্য একাদমী**
**মমলঃ লুপা ১০০ /–**

বাংলাগী শীংথানরবা অইবী মহাশ্বেতা দেবীগী সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিগী মনা ফংখ্রবা লাইরিক মণিপুরীদা উমংগী হক হায়না এল রঘুমনিনা হন্দোক্লিবা লাইরিকসি লামায় ২৪৩ পাল্লি, মমলনা লুপা চামা (১০০) পীরি। উপন্যাস অসি খৃষ্টকী কুম ২০০৪দা সাহিত্য একাদেমিগী এসাইনমেন্ট মখাদা মণিপুরী লোন্দা হন্দোক্লগা ধনী কোপিয়র এণ্ড কোম্পাইনর্স, কৈশামপাত্তা ময়েক শাজিল্লবা মতুংদা এ টি এস গ্রাফোলেজর, ১৭ বি লেক ভিয়ু রোদ, কলকাতা ৭০০০২৯ দা নম্লগা সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিনা ফোঙবনি। বৃটিশ ইমপ্রেলিজমগী মতমদা ভারতবষগী নীংতম লানগী ইতিহাসতা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈনবা ৱারীনি। লাইরিক অসি পারকপা মতমদা নাইজরগী অইবা চিনুৱা অচেবেগী নোভেল 'থিংস ফোলস এপার্ট'কী ৱারীশিং নীংশিংহল্লি। ইন্দিয়াগী নীংতম ইহৌ মায়কৈ কয়াদগী চঙশিল্লকপা মতমসিদা বীরসা মুন্দাসু কলোনিএল ইমপ্রেনিজমগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌখিবা ভারতকী অথোইবা মচা অমনি। মহাক বিদ্রোহি অমনি। জাতি পূম্নমক্কী ইতিহাসতা বিদ্রোহি পুম্বা সমাজকী ইতিহাসনা হোংলকপদা মখোয় অদু জাতি অদুগী অথোইবা মচাশিংনি হায়না শীংথানৈ। মখোয়গী থবক থৌওং খুদিংমক তুংগী ইহিসতা ময়েক লানা লৈহৌবতা নত্তনা জাতি-কাঙলুপ অদুগী ইকায়-খুম্নফম ওইবা মীশক-মীওইশিং ওইনা শৈথানদুনা লৈহৌই। বীরসা মুন্দাসু অদুগুম্বা য়াওলগী ৱাখল চেনবা মীশক অমনি। কলোনিএল বৃটিশকী মথক্তা মহাক্লা মায় পাক্লা লাঞ্জং চঙশিনখি। বৃটিশ সরকারগী লান্মীশিংনা মহাকপু ফারবা মতুং তমথীনা ওৎ-নৈরবা মতুংদা মহাক শিখি। ৱারী অসি অশেম্বা ৱারী ওইরসু তশেংবক্তি ইতিহাসকী থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীনি।

মহাশ্বেতা দেবী ভারতকী ওইনা শীংথানরিবা অইবীনি। মালেমগী ওইনসু শকখঙনবী অইবী অমনি। মহাক্কী লাইরিক কয়া ষ্টেট অমদি নেস্নেলগী থাক্তা শকখঙবা লৈখ্রবনি। লাইরিক অসিগী ৱাহম্থোক্তা অইবীনা মহাক্কী ৱারোলদা ইরি- "লৈবাক অসিগী সমসাজিক অমদি অর্থনিতিক য়াকায়রকপদা মহাক পোকখি অদুগা মঙাল শন্দোরকখি, মদু শুপ্নদগী বিদেশী সরকার অমদি মদুগী মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা হৌখিবা বিদ্রোহি নত্তে, অমুক্তদা পুন্না বিদ্রোহ অদু মতমগী ফিউদেল থৌশিলগী মায়োক্তসুনি। ইতিহাস অপুন্বা অসি খন্থদুনা য়েংলুবা নত্তনা বীরসা মুন্দা অমদি মাগী য়াকায়রোলবু নুং য়ৌনা খন্থবা ঙম্বা ওইথোক্তে" বীরসা মুন্দাগী ৱারী অসি অশেংবমক্তি অৱাবদা পোলোয় ওইবা ত্রেজিক এন্দিংনি। অদুবু লাইরিকসি অসুম পারকপদা মীওই অমগী মফমদা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবগী ইথিলগী মমল অদুবু মমল লৈনা উহল্লি। মালেমদা লৈরিবা মীওইবা জাতি পুম্বা মনীং তম্বা পাম্বা ঙাক্তনি। মীওইবনা মশাগী অমদি মজাতিগী নীংতম্বগীদমক্তা মথৱায় থাদোকপদা অকিবা পোক্নদবা ঙাক্তনি। বীরসা মুন্দাসু অদুগুম্বা মীশক অমনি। মহাক্লা মুন্দা কাঙলূপকী ওইনা মনীংতম্নবগী লানফমদা মথৱায় থাদোকখি। লোই চনবগী নীতিনা মালেমগী জাতি কয়াগী মীয়াম্বু মশাগী অমদি জাতিগী নীংতম্ববু শীংনরকপা অদুগী মায়োক্তা বীরসা মুন্দানা লেপখি। অদুগুম্বা লোইলম লৈঙাক্কী মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা নীংতম্বগী ঈহৌদা মহাক্কী পুন্সি কথোকখিবা মীশক্লি। উপন্যাস অসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লাইরিক অমনি হায়দবা ঙমদে। এল রঘুমনিনা হন্দোক্লিবা লাইরিক অসি লৈনবা য়াবা লাইরিক্লি।

**আর জে মীতৈ**

---

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***জুলাই ১০, ২০১৬, নোংমাইজিং***

মণিপুরী সাহিত্য পারিষদ, মেঘলয়ানা শীন্দুনা মোইরাংথেম সত্যবতিনা ইবা "বরাক তম্পাক্কী মরাইবক" হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসি শিলোংগী লাইতুমখারাদা লৈবা ফুঙা রেষ্টুরেন্টতা পাঙথোকখি। য়েংখোম কে বি সিংহ, হৌজিক হৌজিক মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, শিলোংগী প্রসিডেন্টকী থৌসু পুরিবনা থৌরমসিগী থৌরম মপু ওইনা লেঙশিনবিখি। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিনা অইবী মশাগী অনীশুবা শৈরেংগী লাইরিক্লি। অইবী মশা অসি মণিপুরগী জিরিবামদগী ওইজরবসু মেঘলয়াদা লৈবা লূপ অসিগীসু লাইফ মেম্বর অমা ওইরি। থৌরম অদুদা এন নীলমনিনা থৌরমগী অমদি লাইরিক্কী মরমদা হৌদোক ৱারোল মীয়ামদা থমখি। লাইরিক অসিদা শৈরেং ৬৩ না তোঙান তোঙানবা ৱাকৎ অমসুং নীংজবা, পামজবা কয়া ফোঙদোক্লি।

***জুলাই ১০, ২০১৬, নোংমাইজিং***

নেতবার্ক ওফ ইকনোমি এন্দ ৱেলফিয়ার সার্ভিস (নিউজ) কুম্বীনা নেস্নেল বুক ত্রষ্ট নিউ দিল্লিগী শেম্থং মখাদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথগদবা বুক ফেয়ার (লাইরিক মেলা) অমা কুম্বী বাজার মান্দবতা হৌদোকখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা লোক সভাগী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যনা চীফ গেষ্ট, কুম্বী কেন্দ্রগী এম এল এ এস. বীরনা থৌরম মপু, কুম্বী ম্যুনিসিপালগী চেয়ারপার্সন এন ইবেচোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা লেঙশিনখি। ডা. সি ঐচ ইবোহল সিংহ, এসিস্টেন্ট প্রোফেসার ডিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা থৌরমসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি। মসিগী তুংদা লাইরিক লাইশুগী লমদা পব্লিক লাইব্রেরীগী থৌদাং হায়বা হীরমসিদা সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

***জুলাই ১৪, ২০১৬, শগোলশেল***

নোংচুপ হারম খোরজৈ লূপ অশম্বীদা নোহাখোল য়ুরেম্বমনা শীন্দুনা ওইনাম কামিনিকুমার (মঙ্গিলাল) না ইবা শৈরেং ৩১ য়াওবা "কায়থরক্লিবা শক্তম" হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক (মৈতৈ ময়েকসু য়াওবা) অমা গভর্নমেন্ট পোলিটেক্নিক গেট মনাক্তা লৈবা মোইরাং হনুবা কমুনিটি হোলদা পাঙথোকপা চীং লেম্নবা থৌরম অমদা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা প্রোফেসার লাইশ্রম সদানন্দ সিংহ হান্নগী প্রিন্সিপাল, মণিপুর কোলেজ, ইম্ফাল, না চীফ গেষ্ট, গৌরো থোঙামচা, নোহাখোলগী প্রসিডেন্টনা থৌরম মপু, ডা. লাইশ্রম শশীকুমার, হান্নগী ভাইস প্রিন্সিপাল, ময়াই লম্বী কলেজ, ডা. শগোলশেম লনচেনবা মীতৈ, সাহিত্য একাদেমী এৱার্ডি, অরু ইরেংবম সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অমদি এম. উপেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। ডা. শরতচন্দ্র লোঙজোম্বা এসোসিয়েট প্রোফেসার দি এম কলেজ ওফ আর্টনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**রাজেন খুমুকচম**